ভিজিট তৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস): আই জি পি মণিপুর এন্দ নাগালেন্দ সেক্তর সী আর পি এফ অন্সুমান যাদব অমদি দি আই জি পি, জি সী, সী আর পি এফ ইম্ফাল আই লোকেন্দ্রনা মার্টিয়র ফেমিলিগী য়ুমদা ভিজিট তৌখ্রে হায়না জি সী, সী আর পি এফকী দি আই জি পিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, সহিদ এন মনোরঞ্জনগী মমা মেমচাগী য়ুম, সহিদ কে ঐচ ওপেন্দ্রোগী লোয়নবী কে ইন্দিরা অমদি সহিদ দাংমৈ ষ্টেফেনগী মমা লুবাংলুগী য়ুমদা চৎতুনা ইমুং-মনুংগী অৰা-অনাশিং হংখি। মখোয়না থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়াগী মতাংদসু ৱারী শানখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

মীফম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪: মণিপুর পুলিস কন্সটেবল ৰেটিং লিষ্ট ২০১৩ গী ওইবা মীফম অমা মণিপুর প্রেস ক্লবতা থা অসিগী ১৬কী অয়ুক পুং ১১ তাবদা পাঙথোক্লগনি হায়না ৰেটিং লিষ্ট কেন্দিদেট ওফ মণিপুর পুলিস কন্সটেবল মেল সিভিল ২০১৩ বেটচকী টি ঐচ প্রদিপনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কেন্দিদেট অমদি পেরেন্টশিংনা মতম চানা শরুক য়াবীয়ু। মীটিং অসিগী মরমদি লৈঙাক্লা থবক ফংদবা নহা কয়া থবক পীগনি হায়খিবা অদুবু ঙসি ফাওবা কুমজা ২০১৩ পুলিস কন্সটেবল ৰেটিং লিষ্টকীদি থবক হায়দোকখিবা চহী ১ ফারবা ফাওবা এপ্রুভ তৌদনা থম্বা হায়বসি লাইবক থীবনি। মীটিং অসিগী মরুওইবা পান্দমদি চহী অমা থম্বা অসি মণিপুর লৈঙাক্কী মফমদা চপ চাবা অমা খঙদ্রিবফাওবা তকশিনমিন্নবা, দিসেম্বর থাগী মনুংদা মীৎয়েং চঙবীনবা কেন্দিদেট অমদি পেরেন্টশিংনা লৈঙাক্কী মফমদা তকশিনবা হায়বা অসিনি হায়নসু মখা তারি।

এগজাম হায়দোক্লে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪: চহী অসিগী ওক্টোবরদা পাঙথোকখিবা মণিপুর হিন্দী পরিষদ ইম্ফালগী এগজামশিং লাউথোক্লে হায়না মণিপুর হিন্দী পরিষদকী ডা. সুরেন্দ্রনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। অকুপ্পা মরোল পরিষদ অসিদগী খঙবা য়াগনি। অনৌবা হিন্দী ক্লাস হৌরে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

Important Phone Nos.

RIMS	- 2414478
J.N. Hospital	- 2450385
DG Control	- 2450100
FIRE SERVICE	
Imphal	- 101
Moirang	- 8415925197
Churachandpur	- 8415925191
Thoubal	- 8415925203
Kakching	- 8415925194
Jiribam	- 8415925193
Mayang Imphal	- 8415925196
Bishnupur	- 8415925190
Moreh	- 8415925198
Kangpokpi	- 8415925195
Ukhrul	- 8415925205
Senapati	- 8415925199
Chandel	- 8415925192
Singhat	- 8415925201
Sugnu	- 8415925202
Yairipok	- 8415925206

Today's Flights Timing (Non Stop only)

IMPHAL → AGARTALA	
IndiGO	13:20
IMPHAL → DELHI	
Air Asia (India)	13:45
IndiGO	14:30
IMPHAL → GUWAHATI	
IndiGO	09:45
Air Asia (India)	11:15
IndiGO	14:15
Air India	14:20
IMPHAL → KOLKATA	
IndiGO	10:50
Air India	13:35
IndiGO	15:20

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	78.602334
US Dollar	70.686405
British Pound	94.240662
Australian Dollar	48.602282
Chinese Yuan Renminbi	10.135852
Japanese Yen	0.645405
Malaysian Ringgit	17.079082
Australian Dollar	48.602282
Singapore Dollar	52.212100
South Korean Won	0.060187
Saudi Arabian Riyal	18.849708
Thai Baht	2.339594
Myanmar Kyat	0.04686
Bangladesh Taka	0.83424

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	38737.97
Mumbai	–	Rs	39465.24
Delhi	–	Rs	39572.19
Kolkata	–	Rs	39882.35

GAS NEWS

CANCHI INDANE SERVICE
Booking Upto: 22/10/2019
Valid From: 19/10/2019
14 Kg Stk : 306
5 & 19 Kg Available
Timing: 08.00 am to 10.00 am
(First Come First Serve)
MAIBIA GAS, MOIRANG
Sl. No. : 2181 – 2580
Booking Upto: 22/10/2019
Valid From: 21/10/2019
Stk : 306
Timing: 07.00 am to 11.00 am
NONGPOK SEKMAI JCD INDANE
Booking Upto: 02/11/2019
Valid From: 25/10/2019
Stk : 306
Timing: 08.00 am to 10.00 am
(First Come First Serve)

অচৌ হাৎপদা চেন্নবা মীওই ৫গী মনুংদা ৪ কোর্টনা বেল পীখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস): হৌখিবা ওগষ্ট ৬কী অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম তারকপদা কুম্বী পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কুম্বী সেতুপুর ময়াই লৈকাইদগী খাঙেম্বম অচৌ (৪২), অপোকপা কে ঐচ নিংথৌরেম্ববু চাকখুমদা চাক চাদুনা লৈরিঙৈদা ফারগা পুথোক্লগা মশাগী থোঙ্গালমক্তদা মঙক কক্তুনা হাৎখিবা থৌদোক্কী মতাংদা পুলিসনা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা জেলদা থন্নকখিবা মীওই ৫গী মনুংদা ৪ কোর্টনা বেলদা থাদোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ, বিষ্ণুপুরনা মশা-মশাগী পর্সনেল রিলিজ (পি আর) বোন্দশিং সিউরিটিশিং য়াওনা ফর্নিশ তৌহল্লগা বেল পীখ্রবা মীওইশিং অদুদি লৈখিদ্রবা কে ঐচ অচৌবু হকথেংননা মঙক কক্‌খিবা নোংমাইথেম সুরজিৎকী অপোকপা মপা চিংখু (৭১), অপোকপা লৈখিদ্রবা এন চাওবা, কুম্বী সেতুপুর ময়াই লৈকাই, সুরজিৎকা পোকমিন্নবা ময়াম্বা ইনাওবী মৈতৈ (৪২), অপোকপা মমা নোংমাইথেম ওংবী সনাহনবী (৬৮), অমসুং সুরজিৎকী লোয়নবী চিংখৈঙানবী (৩৫)নি। থৌদোক অসিগী মতাংদা কুম্বী পুলিস ষ্টেসননা ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন- ৩০২/১২০-বি/ ৩৪গী মখাদা কেস এফ আই আর নম্বর- ১২ (৮) ২০১৯ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। অদুগা থৌদোকসিদা চেন্নে হায়বগী মরালদা নোংমাইথেম সুরজিৎ মৈতৈ (৩৫) য়াওনা মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিং অসি ফাখিবনি। থৌদোক থোকফমদগীনা কে ঐচ অচৌবু হাৎপদা শীজিন্নবনি হায়বা য়োৎপাক অমগা লৌরি থাঙজৌ অমগা রিকোভর তৌখিবনি।

ফারবা মীওই ৫মক পুলিসনা কেস অসিগা মরী লৈননা মখোয়গী কষ্টদিদা রিমান্দ লৌথদুনা ওগষ্ট ১৪ ফাওবা থমদুনা ৱাহং-পাউহং চথুরবা মতুং পুলিস কষ্টদিগী মতম লোয়রদুনা নুমীৎসিদা জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌদুনা জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ফর্ষ্ট ক্লাস (জে এম এফ সী), বিষ্ণুপুরগী কোর্টতা পুথোরকখিবনি। কোর্টনা পুলিসকী প্রেয়র অসিদা অয়াবা পীরদুনা মখোয় ৫বু জুদিসল কষ্টদিদা থন্নকখিবনি।

অদুম ওইনমক থেংখাং অনীরক্তা মখোয় ৫না কেস অসিদগী বেল পীবীনবা তৌরকখিবা প্রেয়রশিং কোর্ট অসিনা রিজেক্ট তৌবদগী মখোয়না বেল পীবীনবা সেসন্স জজ, বিষ্ণুপুরগী কোর্টতা হায়জরকখিবনি। কোর্টনা মখোয়গী প্রেয়র অসিদগী পুলিস রিপোর্ট কৌরবা মতুংদা হিয়রিং চথুরগা থা অসিগী ১১দা মখোয় ৪বু বেলদা থাদোকপগী ওর্দর পীখিবনি।

পনবা য়াবদি, কোর্টতা বেল প্রেয়র তৌরকখিবা অসিদা এন সুরজিৎতি য়াওরকখিদে। অদুগা থৌদোক অদু থোকপা নুমীৎতুদা খোইশাওনরবা মীয়াম্না মখোয়গী য়ুমশিং মৈ থাদোকখ্রবনি।

২০শুবা মণিপুর ষ্টেট দেন্টেল কনফরেন্স ২০১৯ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়ন দেন্টেল এসোসিয়সন (আই দি এ)মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা শিন্দুনা চিংমৈরোংদা লৈবা ক্লাসিক গ্রান্দেদা ২০সুবা মণিপুর ষ্টেট দেন্টেল কনফরেন্স ২০১৯ পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা থবক্তগী পোৎথারবা হেল্থ সর্ভিসেস মণিপুরগী জোইন্ট দিরেক্টর ওইরম্বা দা. এল বুধচন্দ্রনা হায়, মণিপুরদা লৈরিবা মীয়াম্না হকচাংগী কয়াৎশিংগী শরুক ওইরিবা য়াবু য়াম্না লাইথোকপগুম তৌই। অদুবু য়া হায়বসি হকচাংগী য়াম্না মরুওইবা হকচাংগী কয়াৎশিংগী মনুংদা অমনি। মরম অদুনা মীওই খুদিংনা য়াবু ফজনা লুনা-নান্না চেকশিন্না থম্বগী তঙাইফদবা লৈ। আই দি এ মণিপুরগী ব্রাঞ্চ অসি অমুক্তা হেন্না অৰাংবা থাক্তা পুরক্লবগীদমক এসোসিয়সন অসিদা শরুক য়ারিবা মীওইশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, ঙসি মণিপুরদা অসিগুম্লবা এসোসিয়সনগী য়াম্না তঙাইফদবা লৈরে। মরম অদুনা এসোসিয়সন অসিদা য়াওরিবা দোক্তরশিংনা থৰায় য়াওনা হোৎনফম থোকই হায়খি। থৌরম অদুগী প্রসিদেন্ট ওইনা আই দি এ মণিপুর ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট দা. আর কে রতনকুমারনা ওইখি। লোয়ননা থৌরম অদুদা আই দি এগী ওনেরেরি সেক্রেটরি দা. এন শক্তিশকুমার অমদি এসোসিয়সনগী থৌমী কয়াসু শরুক য়াখি।

লেফ্‌ট পার্টিশিংনা দিসেম্বর ১৯ দা...

লামায় ১গী মখা... আই এল পি চৎনরে হায়দুনা সী এ এগা তোৎশিন্নদুনা চনৈনহনবা হায়বসি মীয়ামদা মীনম্বনি।

মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা মহাক্কী বঙ্গলোদা আই এল পি চৎনরে হায়বগী হরাও-তয়াম্বা ফোঙদোকখি হায়বা তাই। ইন্দিয়াদা সী এ এগী মায়োক্তা লৈবা ষ্টেট মশিং য়াম্মী। অসাম অমসুং ত্রিপুরাদা মীশি-মীনা থোক্লি। সী এ এগী ঈহৌ হৌখিবশিংনা প্রোটেষ্ট অসিদা মতেং পাংবীয়ু। প্রাইম মিনিষ্টর চঙবা য়াবগী ফীভম লৈতবনা নোর্থ ইষ্ট খোঙচৎসু য়েথোকখ্রে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা আর এস পি মণিপুর ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট গ্যানেশ্বরনা হায়খি, মণিপুরদা আই এল পি চৎনরে হায়বসিদা সী এ এগা চমন্নহল্লে। এন আর সীসু লাক্লগনি। এন আর সী লাকপদা অসামদা মীওই লাখ ১৯ রোম লেমহৌরে। মণিপুরদসু লাক্কদৌরি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

সী পি আ-এমগী সেক্রেটরি কে এস ঐচ শান্তনা ফোঙদোকখিবদা, সী এ এগী খোঙজং চঙশিল্লিবা অসিগী ৱাহন্থোক য়াম্না মরুওই। ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা সী এ এ চৎনবা য়ারোই হায়না খোঙজং চঙশিল্লি। মসিদা শৌগৎলক্কনি থাজে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ফোরৱার্দ ব্লোক্কী ষ্টেট সেক্রেটরি কে মনোরঞ্জননা ফোঙদোকখিবদা, আই এল পি পীবা হায়বসি তুম্বা পীরগা সনা চফু লৌখিবগা মান্নে। রাম মাধব লাকপা য়াওনা নুমীৎ হুম্নী লম্বী চিলহনখি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অসামদা লৈখিদ্রবা মীওই মরি অমসুং ত্রিপুরাদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মফমদা মিনট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৰাবসু ফোঙদোকখি।

দিবেটিং কম্পিটিসন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪: এল এম এস লো কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা ষ্টেট লেভেল ওপন দিবেটিং কম্পিটিসন থা অসিগী ২১ দা এল এম এস লো কোলেজদা ৫রকশুবা ওইনা পাঙথোক্লগনি হায়না কোলেজ অসিগী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট সোয়াম থোমাসনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মণিপুরদা হৌরল্লিবা মহৈরোয়শিংগী ৱাখল্লোন দা লমদমসিদা থল্লিবা চীং-তমগী খেন্নবশিং অসিনা পীবা অফ-ফত্তা অমদি মতৌ করম্না চীং-তম হেন্না নুংশিনবা পুরকপা ঙমগনি হায়বা অসি মরুওই। আর্টিকল ৩৭১ (সী) না পীরিবা খেন্নবা অসিনা চীং-তম অপূনবগী নুংশিনবগী শক্তম অমা শেমগৎপদা অকায়বা পীব্রা হায়বগী মতাংদা ৱাখৈনবা অমদি হৌরল্লিবা মহৈরোয়শিংদা ফাওবা মখোয়গী ৱাখল্লোন অদু ফোঙদোক্লবা ঙম্নবা এল এম এস লো কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না দিবেটিং কম্পিটিসন অসি শীনবনি। মঙারকশুবা ষ্টেট লেভেল ওপন দিবেটিং কম্পিটিসন অসিগী মোসননা দি দিভিজন বিত্বিন পিপল ওফ হিল এন্দ ভেলি ওফ মণিপুর কেন বি ইলিমিনেটেদ বাই এব্রোগেসন ওফ আর্টিকল ৩৭১(সী) হায়বা অসিনি। হীরম অসিদা দিবেটিং কম্পিটিসন অসি পাঙথোক্কনি। য়াওনিংবা দিবেটরশিংনা লো কোলেজদগী ফোর্ম লৌদুনা থাজিনবীয়ু হায়রি।

নীংশিং থৌরম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪: লৈখিদ্রবা ময়াং ইম্ফাল তোম্বী নীংশিংবা অহানবা থৌরম থা অসিগী ১৫ দা মণিপুর ভেলি একাদেমীদা পাঙথোক্লগনি হায়না ময়াই লম্বী খোর্জে লূপকী প্রসিদেন্ট খম্বনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, থৌরম অসিদা ময়াই লম্বী খোর্জে লূপকী প্রসিদেন্ট খম্বা লুৱাংনা থৌরম মপু ওইগনি। ঠিএটর সেন্টর মণিপুরগী প্রসিদেন্ট নবা ৱারেপ্পা পদ্মশ্রীনা মচঙ ওইবা ৱারোল পীরগনি হায়রি।

অসামদা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্টকী ৱাহৌদা...

লামায় ১গী মখা... বি জে পিদগী তোকখ্রবা জতিম বোরানা অসাম ষ্টেট ফিল্ম ফাইনান্স এন্দ দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসনগী চ্যেরমেন ওইনসু থৌ পুরম্বনি। বি জে পিদগী তোকখ্রবা ভুয়াননা পাউমীশিংদা হায়খি, শেমদোক্লবা সিটিজনশিপ এমন্দেমেন্ট এক্টপু অসামগী মীয়াম্না পামদবা মরম্না এক্ট অসি চৎনহনবদা মপুং ওইবা থৌদাং লৌরিবা পার্টিদা মখা তানা য়াওবগী মথৌ তাদ্রে।

গুৱাহাটিদা হিরম অসিগা মরী লৈননা চারা হেনবগী খোঙজং চঙশিনবদা শরুক য়াখিবা ভুয়াননা হায়খি, অসাম য়াওনা নোর্থ ইষ্টকী মায়োক্তা লৈবা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট থেংননবা অৰাং নোংপোক লমদমদা খুন্দারিবা মীয়াম্না অমত্তা ওইনা খোঙজং চঙশিনবা মথৌ তাই। হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা অসামগী মমিং লৈরবা এক্টর জতিন বোরাসু বি জে পিদগী তোক্লে হায়না লাউথোকখ্রবনি।

হিরম অসিগী মতাংদা মহাক্না পাউমীশিংদা হায়খি, বি জে পিগী থৌমী অমা ওইদুনা মীয়ামগী য়াইফনবা থৌরাং কয়া লৌখৎকে খনখিবনি। অদুবু মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবা এক্ট অমা চৎনহল্লকপা মরম্না বি জে পিদা মখা তানা য়াওরুবগী মথৌ তাদ্রে। এসেমব্লীগী স্পিকর ওইরম্বা বি জে পিগী সিনিয়র লিদর পুলকেস বরুৱাসু ইরাই নুমিৎতা পার্টিদগী তোক্লে হায়না লাউথোকখ্রবনি।

বি জে পিগী এম এল এ পদ্মা হজারিকানা হায়খি মদুদি করিগুম্বা মহাক্কী কন্সটিট্যুয়েন্সিগী ভোটরশিংনা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্টকা মরী লৈননা ফম থাদোক্লবা খঙহল্লকপা তারবদি খুদক্তা ফম থাদোক্কনি।

অসাম লেজিসলেটিব এসেমব্লীগী স্পিকর হিতেন্দ্র নাথ গোস্বামিনসু এক্ট অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা ব্রহ্মপুত্র তম্পাক্তা চৎনহন্দনবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রে।

অমরোমদা, নোর্থ ইষ্ট নাওগা উনখিবা অমদা মশক মমিং তাকথোক্লিংদবা বি জে পিগী সিনিয়র মেম্বর অমনা হায়খি, সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্টনা মরম ওইরগা অসামগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা বি জে পিগী গ্রাসরুট ৱার্কর কয়ামরুম পার্টি থাদোক্লবা ফিরেপ লৌরে। অসামি মীয়ামগী নাৎ অমদি লোলদা অতম্লনা শীংনরকপা মরম্না ইশাগী শক্তম ঙাক্লবগী পান্দমদা বি জে পিগী থৌমীশিংনা পার্টি থাদোক্লবা ফিরেপ লৌরকপনি।

এক্ট অসিনা মরম ওইরগা অসোম গন্না পরিষদ (এ জি পি) মনুংদসু নাকপাক তান্নবগী ফিভম থোরক্লে। পার্টিগী তোঙান-তোঙানবা ৱার্কর কয়ানা হিরম অসিগা মরী লৈননা পার্টি প্রসিদেন্ট অতুল বোরা অমসুং রাজ্য সভাগী এম পি বিরেন্দ্র প্রসাদ বাইস্যাবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। গুৱাহাটিদা পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা এ জি পিগী সিনিয়র লিদর অমনা হায়খি, রাজ্য সভাগী এম পি বিরেন্দ্র প্রসাদ বাইসিয়া অমদি পার্টিগী প্রসিদেন্ট অতুল বোরানা পার্লিয়ামেন্টতা সি এ এ শৌগৎখিবগী থৌওং অদু লাইবক থিবনি। তোঙান-তোঙানবা এ জি পি দিষ্ট্রিক্ট য়ুনিটশিংগী মরু ওইবা মেম্বর কয়া সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্টকী ৱাহৌদগী পার্টি থাদোকপা লৈখ্রে। অতৈ অতোপ্পা লুচিংবা খরসু ফম থাদোকপা য়ানা লৈরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, অসাম গভর্ণমেন্টকী ইমপ্লোয়ীশিংনা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্টকী মায়োক্তা লাক্লিবা দিসেম্বর ১৮দা সিজ ৱর্ক ষ্ট্রাইক চথরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

সাদৌ অসাম কর্ম্মচারি পরিষদ (এস এ কে পি)গী প্রসিদেন্ট বসব কলিতানা হায়খি, হেক হৌরকপদগী হৌনা বিল অসিগী মায়োক্তা লেপ্তুনা লাক্লি। হৌজিক এক্ট ওনখ্রবা অসিসু লৌথোক্ত্রিবা ফাওবা মখা তানা মায়োক্তা লেপখিগনি। সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্টকী মায়োক্তা অসাম গভর্ণমেন্টকী ইমপ্লোয়ীশিংনা লাক্লিবা দিসেম্বর ১৮দা সিজ ৱর্ক ষ্ট্রাইক চথরগনি। লোয়ননা দিসেম্বর ১৬তগী আশুনা নুমীৎ হুম্নি চুপ্না চথগদবা সত্যগ্রহা খোঙজংদসু মপূং ফানা শৌগৎকনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

গুৱাহাটিদা হৌজিক-হৌজিক মীয়াম্না সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্টকী মায়োক্তা খোঙজং লেপ্তুনা চথরি। ৱেষ্ট বেঙ্গলদসু ঙসিদগী সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্টকী মায়োক্তা অকনবা খোঙচং চঙশিনবা হৌখ্রে।

এন দি পি এস এক্টকী মখাদা লৌখৎপা কেস ৫৭কী এক্যুজশিং শিরম্বদগী...

লামায় ১গী মখা... (লুনখোঙম হাওকিপ), ৬৪ ওফ ২০১৮ (পাওলেট হাওকিপ), ৭০ ওফ ২০১৮ (লৈশাংথেম অমু), ৭১ ওফ ২০১৮ (ৱাংখৈমযুম প্রিয়োকুমার), ৯৮ ওফ ২০১৮ (এম দি সিকন্দর এলিয়স দিলিপ), ১০৩ ওফ ২০১৮ (অথং এলিয়স নিংখন্থাং পাইতে), ১০৭ ওফ ২০১৮ (হাওপু জেট), ১০৮ ওফ ২০১৮ (অঙৈংবী বিবি), ১১৯ ওফ ২০১৮ (হাওবিজম বসন্ত), ১০৪ ওফ ২০১৮ (ৱাংজম দ্বিজমনি), ১২২ ওফ ২০১৮ (নোহোই তাম্ভুল), ১২৫ ওফ ২০১৮ (চোংথিংবা এলিয়স শিলা এলিয়স অথিং তাম্ভুল), ১৪৬ ওফ ২০১৯ (এম দি বশির রহমন এলিয়স বটির অহম্মদ), ১৫১ ওফ ২০১৮ (লাইশ্রম য়াইস্কুল), ১৫২ ওফ ২০১৮ (জাংলুন তৌথাং), ১৫৪ ওফ ২০১৮ (নিংথৌখোংজম ওংবী চম্পাবতি), ১৫৬ ওফ ২০১৮ (নিংথৌখোংজম দেবেন), ১৫৭ ওফ ২০১৮ (শ্রীনিবাসন এলিয়স চিনি), ১৫৯ ওফ ২০১৮ (শরুংবম গ্যানেন এলিয়স গ্যানেরাজা), ৯ ওফ ২০১৯ (নিংথৌজম ওংবী মেমচা), ১৫ ওফ ২০১৯ (কৈশাম ধনেশ্বর অমসুং কাঙবু), ৩৯ ওফ ২০১৯ (এম দি অব্দুল রহমন এলিয়স ইথেম এলিয়স রোকেট), ৪২ ওফ ২০১৯ (লুনখোজাং বাইতে), ৪৪ ওফ ২০১৯ (এম দি ৱাহাজউদ্দিন এলিয়স ৱাহাজ), ৪৮ ওফ ২০১৯ (ৱাহেংবম রাবৈ), ৫৪ ওফ ২০১৯ (এম দি অশিকমুদ্দিন এলিয়স রহিমউদ্দিন), ৫৫ ওফ ২০১৯ (খোংবান্তাবম মোধুমনি), ৬৭ ওফ ২০১৯ (ঙাঙোম ইবোমচা), ৭৮ ওফ ২০১৯ (লাইশ্রম শরত অমসুং অতোপ্পা মীওই ২), ৭৯ ওফ ২০১৯ (ৱাকম্বম অবুং মৈতৈ), ৮৮ ওফ ২০১৯ (এম দি হবিবুর রহমন), ৮৯ ওফ ২০১৯ (এম এস নিংরেঙম), ১০২ ওফ ২০১৯ (লোংজম রতন), ১০৬ ওফ ২০১৯ (তখেলময়ুম সোনামনি এলিয়স ইনাওঙৌ), ১১৫ ওফ ২০১৯ (অখুচিং গোলমৈ) অমসুং ১২৩ ওফ ২০১৯ (বনৱারিলাল)নি।

পাউচে অসিনা খোমজিল্লকপা রিপোর্টশিং অসিনা মখা তানা হায়বদা, দিস্পোজ তৌখ্রবা কেস ৫৪ অসি ষ্টেট পুলিসকী তোঙান-তোঙানবা পুলিস ষ্টেসনশিং, য়ুনিটশিং অমসুং অতোপ্পা লো-এনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংনা মখল কয়াগী এন দি এন্দ পি এস এক্টকী মখাদা থিংলবা পোৎলমশিং ফাগৎখিবা থৌদোকশিংগী মতাংদা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস ঙাক্তনি।

পুলিস অমসুং অতৈ এজেন্সিশিং অসিনা থৌদোক্তুগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চথরবা মতুংদা মসিগী এক্যুজশিং অসিগী মথক্তা কেসশিং অসিগী চার্জশীটশিং সবমিট তৌরকখিবা ঙাক্তনি। অদুবু পুলিস অমসুং অতৈ এজেন্সিশিং অদুগী মায়কৈদা ইনভেষ্টিগেসন চথবা অমসুং চার্জশীট ফ্রেম তৌরকপদা মতম খরা চঙখ্রগসু কেসশিং অসিগী কনসর্ন ট্রাইয়ল কোর্টশিংনা চহী কয়া লিশাং শিংনা খূৎ থাদনা নমশিন্দুনা থল্লক্লগা ফাষ্ট ট্রেক কোর্ট অসি হেক লিংখৎপগা মসিদা ট্রান্সফর তৌশিল্লকখিবা ঙাক্তনি হায়রি।

মমাংদা মতম চানা চথগদবা ৱায়েলগী থবকশিং মপূং ফানা চথরমদ্রবসু কোর্ট অসিদা ট্রান্সফর তৌরকপগা পন্থদনা কেস লৌখৎতুনা পাঙথোকফম থোক্লিবা ৱায়েলগী থবকশিং লৌখৎনবা হোৎনরকপদদি কেসশিং অসিগী এক্যুজশিং শিরম্বা থেংনরকখিবনি হায়রি।

রিপোর্ট অসিনা মখা তানা হায়বদা, চার্জশীট ফ্রেম তৌরক্লবা এক্যুজ পূম্নমক চৈরাক (ফাদোক নৎত্রগা ফাইন) ফংবা য়াই নৎত্রগা ফংদ্রবসু য়াই। মসিদি কেসশিং অসিগী ৱায়েল চথরগা কোর্টনা লেপকদবনি। অদুবু চথুগদবা ৱায়েল চথুহৌদ্রিঙৈদা এক্যুজনি হায়না চার্জ তৌরক্লিবা মীওইশিং শিখিরম্বা অসিদি মরালগী ফংফম থোকপা চৈরাক ফংফম থোকপশিং য়াওরম্লগসু ফংহল্লম্বা য়াবগী তাঞ্জাদি মাঙহনখ্রে হায়রি।

ইকোন কোনবা ওইনা পাউচেসিনা খোমজিল্লকখিবা রিপোর্টশিংগী মনুং চন্না মমাং থাগী ৫, ১২ অমসুং ২৮দসু কোর্ট অসিনা মসিগী কেস নম্বর- ৯১ ওফ ২০১৯ (এস খাইয়র), ১১৬ ওফ ২০১৯ (কাংঙবম ইমোচা এলিয়স ইবোমচা) অমসুং ৪১ ওফ ২০১৯ (য়াংশৈ হাওকিপ)কী কেস অহুমসু এক্যুজ মশা-মশাশিং অসি শিখিরম্বদগী দিস্পোজ তৌখি। মখোয় অহুম গঞ্জা অমসুং হিরোইন নম্বর ফোরগা কোন্ননা ফাখিবশিংনি হায়রি। মখোয় অহুমগী মথক্তা কেস রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবশিংনা চিংঙাই পুলিস ষ্টেসন, বোর্দর এফেয়র্স অমসুং ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনশিংনি।

কেস অহুম্মক্কী চার্জশীটশিং মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেসনশিং অসিগী মায়কৈদগী মথংশিংৎনা কুমজা ২০০০, ২০০৩ অমসুং ২০০৪দা মরী লৈনবা কোর্টশিংদা থাগৎলকখ্রবনি। অদুবু ৱায়েলগী থবকশিং মতম চানা অমসুং মপূং ফানা পাঙথোক্লমদবদগী ফাষ্ট ট্রেক কোর্ট অসিদা ট্রান্সফর তৌরকপা মতমদদি এক্যুজশিং অসিগী খোঙ্গুল লিরুবদা মশা লোয়নমক শিরগা লৈরম্বা থেংনরকখিবনি হায়নসু রিপোর্ট অসিনা মখা তারি।

লোক্তাক লাইরেম্বী খোরিলোল মনা পীরগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস): লোক্তাক লাইরেম্বী খোরিলোল মনা ২০২০ পীরগনি হায়না লোক্তাক খোর্জে লূপকী সেক্রেটরি খ্বাইরাকপম সনায়াইমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মণিপুরী খোরিলোলগী খোঙচৎ অসিদা লোক্তাক্কী ফজরবা শক্তম অমদি মসিগা শাগোন্নদুনা লাক্লিবা ৱারী কয়াগী মফম অমা খোরিলোলদা চাউনা কন্দুনা লাক্লি। মশক খঙবগী তঙাইফদবা লৈ। খোরিলোলবু হেন্না অৰাংবা থাক অমদা পুখৎনবা হোৎনবদা লূপ কয়ানা অইবশিংদা মনা পীদুনা লাক্লি। লূপ অসিনসু অহানবা ওইনা লোক্তাক লাইরেম্বী খোরিলোল মনা ২০২০ পীরগনি। চহী ২ খুদিংগী পীগনি।

মনা অসি মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী সেক্রেটরি মুতুম রমনিনা লোক্তাক লাইরেম্বী ইমাগী মতিক মগুন অমদি মণিপুরী খোরিলোলবু চাউখৎহন্নিংবা অদুগীদমক লোক্তাক খোর্জে লূপতা কৎলকপনি। কুমজা ২০২০ গী জন্যুৱারী ৫ দা থাঙ্গাদা পাঙথোক্কদবা মনা লান্থোকপগী থৌরম অমদা লোক্তাক লাইরেম্বী খোরিলোল মনা ২০২০ অসি হিয়াংলমদা লৈবা ঈ এস সুন্দর (এলাংবম সুন্দর) গী *কাউশিং* হায়রিবা নোভেল অসিদা পীরগনি। শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০, সাইটেসন অমসুং সোল য়াওরি। খুনুং শৈশক অমদি সঙ্কীর্ত্তন য়োকখৎলিবা শৈশকপা হেমাম অচৌবদা তোংব্রম ওংবী মনিতোম্বী নীংশিং মনা অমদি লাইশ্রম হৈতোনদা তোংব্রম ওংবী মনিতোম্বী নীংশিং নট সঙ্কীর্ত্তন মনা ২০২০ পীরগনি হায়নসু লোক্তাক খোর্জে লূপকী সেক্রেটরি খ্বাইরাকপম সনায়াইমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোলদুনা মখা তারি।

‘ভি দি এফশিংগীসু য়াওহনবীয়ু’

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস): খৃষ্টমাসকী এদভান্স পে পীবদা ভি দি এফশিংগীসু য়াওহনবীয়ু হায়না ওল মণিপুর ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন রিয়াজ খাননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী ভি দি এফ পর্সনেল ১০,০৫০ না ঈরাং কল্লিবা মণিপুরগী তংদু-লৈতাদবা মরকসিদা লো এন্দ ওর্দর ঙাকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। অহিং তুম্বা মচেৎ, চাবা মচেৎ খাংদুনা লাক্লগা মতম-মতমগী ওইবা থৌরমশিংগী এদভান্স পে পীবদা অপীকপা ওনোরেরিয়মনা ইমুং-মনুং পুনবা হোৎনবদা অৰাবা কয়া মায়োক্লরি। ভি দি এফশিং হেক-হেক নাথৈরম্বসি নুংঙাইতে। দিসেম্বর ২৫ দা পাঙথোক্কদৌরিবা খৃষ্টমাসকী এদভান্স পে পীবদা ভি দি এফশিংসু য়াওহনবীয়ু।

মণিপুরদা আই এল পি এক্সটেন্দ তৌরকপবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা আই এল পি এক্সটেন্দ তৌরে হায়না ওর্দর থোরকপা অসিগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ অমদি মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনবু থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়না নোর্থ ইম্ফাল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (নিসু) গী জেনরেল সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থা অসিগী ৯ দা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টম মণিপুরদা চৎনরগনি হায়না পার্লিয়ামেন্টতা লাউথোকখি। মসিগী মতুংদা গেজেট নোটিফিকেসন থোকখি। মণিপুরদা আই এল পি এক্সটেন্দ তৌবা অসিগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টর অমদি মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরবু নিসুনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। চহী কয়াগী মমাঙদগী আই এল পি চৎনহন্নবা ঈহৌ চঙশিল্লকপগা লোয়ননা লমজিং মৈরা সাপম রোবিনহুদকী থৱায় ফাওবা কৎখি। দিমান্দ অসি লৈঙাক অসিনা পীবীরকপা হায়বসি মণিপুরগী পুৱারীদা তাদুনা লৈহৌরগনি। আই এল পিনা ঐখোয়গী য়েলহৌমীগী শক্তম কনবতা নত্তনা সী এ বিসু একসেপ্ট তৌরকপা হায়বসি নাকল অনীমক্তা কান্নবা পীরি। দিমান্দ অসি ফংনবা হোৎনবদা থৱায় হকচাং য়াওখিবা অহল-লমন, মীয়াম্বু নিসুগী মায়কৈদগী তৌবীমল খঙবা অমদি থাগৎপা ফোঙদোক্লি। মখা তারকপদা মণিপুর মীয়াম্না পুকচেল তীংনা অমত্তা ওইনা তংদু-লৈতাবা চাউখৎপা ইরমদম অমা ওইহল্লসি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

অনৌবা মীরোলগী ইদিসন ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪: সোসলিষ্ট ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ মণিপুর (এস এস য়ু এম) না থা অসিগী ১২ দা নুপী লাল নীংশিং থৌরম লূপ অসিগী হেদ ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

‘অনৌবা মীরোল’গী দিসেম্বর ইদিসনসু ফোঙখ্রে হায়না এস এস য়ু এমগী সেক্রেটরি জেনরেল ভুষন লোংজমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। নুপী লালগী পুৱারীবু নৌহৌনা নীংশিংদুনা থৌনা ফৰী ইমাশিংগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। মতমদুদা লৈরম্বা নুপীগী ঈহৌ অমদি ঙসি মণিপুরদা ওইরিবা নুপীগী ফীভমগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি। চহী খুদিংগী ইচম-চম্না নুপী লাল নীংশিংবগী মহুৎতা মদুদা চেল্লিবা ৱাখল্লোন অমসুং ইমাশিংগী থৌনা অদুগা লোয়ননা ঈহৌ অমা শাগৎপা তঙাইফদ্রে। থৌরম অসিগা মরী লৈননা এস এস য়ু এমনা থা ৩ খুদিংগী ফোঙবা চেফোঙ ‘অনৌবা মীরোল’গী দিসেম্বর ইদিসনসু ফোঙখ্রে। নুপী লাল নীংশিং নুমীৎ হায়না মিংথোনবা চেফোঙ অসিদা নুপী লালগা মরী লৈনবা ৱারেং অয়াম্বা নুপীশিংনা ইবনি। নুপী মানবীনা ইবা ৱারেংসু য়াওরি। ইস্যু অসিদা শৈরেং মরি অমদি ৱারেং মঙা য়াওরি হায়রি।

আই এল পি চৎনরকপবু নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস): আই এল পি চৎনরকপগীদমক থাগৎপা অমদি নুংঙাইবা ফোঙদোক্লি হায়না ওল মণিপুর মুস্লিম গর্ল ষ্টুউদেন্টস য়ুনিয়ননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ঙসিদগী চহী ৭০ রোমগী মমাঙদগী য়েলহৌমীশিংনা দিমান্দ তৌদুনা লাকপা আই এল পি লৈঙাক্লা মীয়ামগী অপাম্বা খঙদুনা চৎনহল্লকপসি পুৱারীদা য়েক্তুনা লৈহৌরগনি। ইন্দিয়াগী গেজেটতা ফোঙলকখিবা অসি মহৈ য়াল্লে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। আই এল পি অসি কাঙলুপ নৎত্রগা ফুরুপ খরগী নত্তে। পুম্নমক্না চপ মান্নবা থৌদাং লৌদুনা ফংলকপনি। শম্বল লৈতবা ইংখোলদা চঙনিংবশিং চঙদুনা নৈখায়বা অদুদি য়াররোই। অদুবু শম্বলগী ফীভম অমসুং অনেম-অৰাং কুপ্পা য়েংহৌদ্রবদি শম্বল খায় হায়রবসু খাদবগা পাঙ্খক ওইরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। ঐখোয়গী য়ুম-ইংখোল লৈঙাক্লা শেন্নদুনা লৈয়ু হায়বা য়ারোই। পোষ্ট আই এল পিবু কুপ্পা শেন্নবা চঙই। মীয়াম পুম্নমক্না য়ানগদবা খোঙথাংশিংদা মতেং পাংগনি। আই এল পি চৎনরগনি লাউথোকপদা বেজ ইয়ার পল্লক্তবসি খম্থনিংঙাই ওইব্রা খল্লি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

আর দি এন্দ পি আরনা নেসনল...

লামায় ১গী মখা... ইনষ্টিট্যুট ওফ রুরেল দিভলপমেন্ট মণিপুর অসিসু নোর্থ ইষ্ট এন্দ হিমালিয়ন রিজনগী মনুংদা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমদি ট্রেনিং মশিং য়াম্না পাঙথোকপগীদমক বেষ্ট পর্ফোমিং এস আই আর দিগীদমক খল্লকখি। এম জি এন আর ঈ জি এগী ওইনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী থোর্চাম ভিলেজ অসি বেষ্ট পর্ফোমিং জি পি ওইনা খল্লকখি। প্রধান মন্ত্রি অৱাজ যোজনা (গ্রামিন)গী ইমপ্লিমেন্টেসনগী ওইনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট অসি বেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ওইনা খল্লকখি। রুরেল হাউসিং স্কিমগী মায় পাক্লা পায়খৎপগীদমক ফিল্ড ফঙ্কসনরি কয়াসু এৱার্দ পীরকখি। ৱাঙু গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান অমোম বিনাবু বেষ্ট গ্রাম প্রধান কেটেগোরিদা এৱার্দ পীরকখি। মোইরাং ব্লোক্তা পোষ্টিং তারিবা গ্রাম রোজগার সেবক (জি আর এস) ৱাহেংবম বিমোলচান্দবু বেষ্ট দিভলপমেন্ট ওফিসল ওইনা খল্লকখি। ৱাঙু গ্রাম পঞ্চায়টতা পি এম এ ৱাই (জি) মপুং ফানা ইমপ্লিমেন্ট তৌবগীদমক মনা অসি পীরকখিবনি।

আর দি এন্দ পি আর মিনিষ্টর বিশ্বজিৎনা আর দি এন্দ পি আর মণিপুরনা নেসনল লেভেলদা এৱার্দ কয়া ফংলকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোকখ্রে। এৱার্দশিং অসি থা অসিগী ১৯ দা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ আর দি এন্দ পি আর নরেন্দ্র সিংহ তোমারনা য়েন্থোক্কনি হায়রি।

রিভিয়ু মীটিং...

লামায় ১গী মখা... মেনপেকনা শৌগৎপগা লোয়ননা শরুক য়াখিগনি। মরিশুবদা, অৰাং-নোংপোক ষ্টেটশিংদা মরুওইনা অসাম অমদি ত্রিপুরাদা নৌনা এমেন্দ তৌরবা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট অসিগী মায়োক্তা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লিবা অসিনা মরম ওইদুনা মণিপুরদা আই এল পি চৎনহল্লকপা অসি অফবা খোঙথাং অমা ওইরবসু মণিপুর মীয়াম্না হরাও-নুংঙাইবা অমদি পেন্থোকপা মতাং-মতম চাদ্রি। মঙাশুবা অমসুং অরোইবা ৱারেপ্তুনা নোর্থ ইষ্ট মীয়াম্না নৌনা এমেন্দ তৌরবা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট অসিগী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিদা শৌগৎতুনা অমদি সোলিদরিটি উৎতুনা লাক্লিবা দিসেম্বর ১৭কী অয়ূক পুং ১১.৩০ তাবা মতমদগী ৱাঙ্খৈ অঙোম লৈকাইদা লৈবা ৱাল ক্লবতা ৱাকৎ মীফম ফম্বা হায়নসু লেপ্নখি হায়রি।

আই এল পি চৎনহল্লকপসি মীয়ামদা...

লামায় ১গী মখা... উনদুনা আই এল পি মণিপুরদা চৎনহনগনি হায়বদুগী অইবা থোক্লবা ৱাফম তকশিনখি। রাজ্য সভাদা পুথোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা শোয়দনা থোক্কনি হায়বগী থাজবসু পীরকখি। থাজবা অদু থবক্তা ওন্থোক্তুনা রাজ্য সভাদা পুথোক্ত্রিঙৈদা মণিপুরদা আই এল পি এক্সটেন্দ তৌবগী নোটিফিকেসন থোরকখি। হৌজিক মণিপুর অসি আই এল পি চৎনবা মফম অমা ওইরে। মসিগী ক্রেদিট মণিপুর মীয়াম অমদি সী এস ওশিংদা পীনিংই। মীয়ামগী খোল্লাও অদু পার্লিয়ামেন্টতা পুখৎপনি। মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর অমদি পোলিটিকেল পার্টি কয়াগী মীহুৎশিংনসু কন্না তকশিনখিবনি। পুম্নমক্কী হোৎনখিবা কয়া অদুনা মহৈ অসি ফংলক্লিবনি।

আই এল পি চৎনরকপা অসিদা মখা তানা মসি মপুং ফানা লমদম অসিদা ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা হোৎনবদা পুম্নমক্কী থৌদাং য়াম্না চাউই। ঐখোয় খুদিংমক্না অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে। লৈঙাক খক্তনসু য়ারোই। অপূনবগী থৌদাং য়াম্না মরুওই। বোর্দরগী ইস্যু অসিসু লমদমসিগী ওইনা য়াম্না মরুওইবা অমনি। ইন্টরনেসনল বাউন্দরিগী ওইনদি য়াম্না দিপ্লোমেটিক ওইবা মওংদা অফবা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা সেন্টরদা তকশিনবা চঙই। বাউন্দরিগী ওইবা হীরম অসি ইন্টরনেসনলগী ওইবা ৱাফমনি। বাউন্দরিগী ওইবা চপ চাবা মেপনচিংবা লৈরিবনি। মসিগী মতুংইন্না অচুম্বা অদু অদুম্মক পুথোকপা তাই হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

KINGDOM
SPOKEN ENGLISH
SPOKEN HINDI
& COMPUTER INSTITUTE
DAILY JUNIOR CLASSES (V TO IX) BEGIN
SIR NAOBI LOITONGBAM
- 19 YRS. TEACHING EXPERIENCE
- 3 MTHS. AT IT CALL CENTRE AS A TRAINER
- 2 MTHS. AT AIR (ALL INDIA RADIO) IMPHAL
- 1 MTH. IN MYANMAR / BURMA AS A TRAINER (SPONSORED BY SAT, GOVT. OF MANIPUR)
- MULTIPLE SCHOOLS & COLLEGES - AS AN ENGLISH LANGUAGE TRAINER (SPONSORED BY UGC)
English Course + Free 1 mth. Computer Course
For : Students, College Students, Businessmen, Housewives, Office goers, Air Hostess Aspirants, Teachers, Entrepreneurs, Senior Citizens, etc.
COMPUTER COURSES :
- DCA, CCC, CCP, C/C++, DTP, Tally GST, Typing HTML Programmings, Data Entry, etc.
- Sunday Spoken English Class only for Class V - IX at 6 am to 9 am
7005622203, 7005776944, 7005665814
Venue : GLOBAL SPOKEN ENGLISH & DOT COM COMPUTER, Opp. G.P. Women's College, Old Lambulane
TSE-D-8M
HL-B/5792/9,10,12...